# চীফ জষ্টিশনা এস সীগী জজশিং উনখ্রে

## এদিটর জেনরেলনা ক্রাইসিস লোইরে হায়না ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী):
চীফ জষ্টিশ অমসুং হৌখিবা ইরাইদা মহাক্কী মায়োক্তা য়ানিংদবা কয়া ফোঙদোকখিবশিং য়াওনা অতৈ জজ খূদিংমক্না মীফম অমা পাঙথোক্তুনা রেবেল জজ মরিগী ৱাফমশিংগী মতাংদা খন্নখিবা মতুং ঙসি সুপ্রিম কোর্টতা মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিল্লকপা উখ্রে।

রেবেল জজ মরি য়াওনা জজ খূদিংমক্না মখোয়গী মথৌদা মায় ওনশিনখিবগা লোয়ননা পাউমীনচিংবা য়াওহন্দনা চথখিবা মীফম অদুদগী অকুপ্পা ৱারোলশিং ফংবা ঙমখিদে। তোপ কোর্ট অদুগী তোঙান-তোঙানবা বেঞ্চশিংদা থবক শিন্নবগী মতাংদা জষ্টিশ জে চেলামেশ্বরনা লুচিংবা জজশিংনা থাঙ্গৎখিবা ইস্যুশিং অমসুং অতৈ হীরমশিংগী মতাংদা এগ্রীমেন্ট অমা পুরকখিবরা হায়বা খঙবা ঙমখিদে।

অদুমওইনমক এটোর্নি জেনরেল কে কে ভেনুগোপাল অমসুং বার কাউন্সিলগী প্রসিদেন্টনদি লৈবাক অসিগী তোপ কোর্টকী ৱাথোক অদু লৈখায় তানরে হায়না ক্লেম তৌখি।

কোর্টকী জজ পূম্নমক উনদুনা ৱা খন্নখি। খূদিংমক লৈখায় তানখিবা মাল্লি। খূদিংমক ফীভম ফরে হায়না এটোর্নি জেনরেলনা মীদিয়াদা ফোঙদোকখি।

মীফমদু কোর্টকী থবক হৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা অমুক্তা হান্না থৌরাং তৌরকখিদবা মওংদা পাঙথোকখি। হৌজিক খূদিংমক লৈখায় তানরে হায়না ভেনুগোপালনা হৌখিবা জন্যুৱারী ১২ দগী ওইরক্লিবা ফীভমদুগী মতাংদা পল্লদুনা হায়খি।

বার কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়াগী চ্যেরমেন মানন কুমার মিশ্রানা হায়খি, সুপ্রিম কোর্টকী তোপ জজশিংগী মরক্তগী চীফ জষ্টিশকী থবক খূৎতৌদা য়ানিংদবা উৎখিবা জজ মরিগী ৱাফমশিং লৈখায় তারে অমসুং জুদিসিয়ারিনা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তবু লৈরিবা ফীভমদুগী খূদোংচাবা লৌহনবা পামদে।

ক্রাইসিস অদু লোইশিনখ্রে অমসুং নখোয়না সুপ্রিম কোর্টকী কোর্টরূম পূম্নমক মহৌশাগুম্না থবক তৌবা উরে হায়না মিশ্রানা হায়খি। হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা সিনিয়র জজ মরি-চেলামেশ্বর, রঞ্জন গোগোই, মদন বি লোকুর অমসুং কুরিয়ন জোসেফনা মহাক্কী মখাদা লৈবা জজশিংদা কেসশিং শিন্নবগী মওংদা ফোংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবদগী সুপ্রিম কোর্টতা মমাঙদা অমুক্তা উখিদ্রিবা ক্রাইসিস অমা থোক্লকখিবনি।

# য়ুরি সেক্টরদা পাকিস্থানদগী লোন্না চঙশিল্লকখিবা জে ঈ এমগী টেররিষ্ট ৫ হাৎখ্রে



শ্রীনগর, জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী):
জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা পাকিস্থাননা শৌগৎপা টেররিষ্ট পূম্নমক তকথোক্ন নবগী পান্দমদা হৌজিক আর্মিনা চথরিবা ওপরেসনগী মতাংদা ষ্টেট অসিগী মরু ওইবা ওপোজিসন পার্টি ওইরিবা নেসনল কনফরেন্স (এন সী)না ঙসি নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেটকী কেপিটেল শ্রীনগরদা হৌজিক অখন্ননা চথরিবা ওপরেসন অল আউট অসি ঐখোয়না হকচিন্না লৌই। চহী ১৭কী মতুংদা আর্মিনা ঙরাং থিবা-হুম্বগী থবক কয়া চথখি হায়না নেসনল কনফরেন্সকী এম এল এ অমা ওইরিবা অলি মহমদ সাগরনা ফোঙদোকখি।

ঐখোয়না নাকল অমদা মিলিটেন্টশিংবু ঙাকপীরি অদুগা নাকল অমদনা অমুক অসিগুম্বা থৌওংসি চথরি। ষ্টেট অসিগী ফীভম করম্না ফগৎলক্কনি। সেন্টর অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্ট পোলিসি অমা চৎনহনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না মহাক্না মখা তাখি।

জম্মু অমসুং কাশ্মীর পুলিস, আর্মি অমসুং পেরামিলিটরি ফোর্সশিংগী ওইবা অপূনবা ওপরেসন অমদা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) মনাক্তা জাইস-ঈ-মহমদ (জে ঈ এম)কী সুইসাইদ স্কৱাদকী মিলিটেন্ট মঙা হাৎখিবা মতুং মতম শাংনা কান্নদ্রিঙৈদা নেসনল কনফরেন্সকী লোমেকর অসিনা রিএক্ট তৌখিবনি।

দিফেন্সকী স্পোক্সপার্সন কর্নেল রাজেশ কালিয়ানা হায়খি, শ্রীনগরদগী কিলোমিটর ১২৩ লোম লাপ্পবা বোর্দর টাউন য়ুরিগী দুলাঞ্জা এরিয়া মনাক্তা পাকিস্থানদগী টেররিষ্ট গ্রূপ অমা ইন্দিয়াদা লোন্না চঙশিল্লকখি।

নারোন্দগী চঙশিল্লকখিবা মিলিটেন্টশিংদুনা ইন্দিয়ন ফোর্সশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। মতুং তাবদা নাকল অনীগী মরক্তা কন্না খূৎ থোক্নবদা টেররিষ্ট মঙা শিখি হায়না কর্নেল কালিয়ানা হায়খি।

নোংমৈ কাপ্নফমদগী টেররিষ্ট মঙাগী হকচাংশিং ফংখি। তরুকশুবা টেররিষ্ট থিবগী থবক চথরি। লাক্লিবা জন্যুৱারী ২৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা রিপব্লিক দেগী থৌরমগী মাঙওইননা ষ্টেট অদুদা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিংসু কনখৎহনখ্রে।

দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস এম পি ভাইদনা ত্বিটরদা ওপরেসন অদুগী মতাংদা হায়খি, পুলিস, আর্মি অমসুং সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সশিংগী অপূনবা ওপরেসন অমদা পাকিস্থান-দগী লোন্না চঙশিল্লকখিবা জে ঈ এমগী টেররিষ্ট মরি দুলাঞ্জাদা হাৎখ্রে। টেররিষ্টশিংদুগী মশাদগী য়াম্লবা নোংমৈ অমসুং নোংমৈ মরূশিংসু ফংখি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মসি কুমজা ২০১৪ দা পাকিস্থানদগী লোন্না চঙশিল্লকপগী অহানবা থৌদোক্নি হায়না বৃগেদিয়র ৱাই এস অলাৱাটনা ফোঙদোকখি।

# নরেন্দ্র মোদি, বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা টেররিজম থেংনমিন্ননবা ৱারেপ লৌখ্রে, এম ও য়ুশিং সাইন তৌনখ্রে



ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী):
ইন্দিয়া অমসুং ইজরেলনা অমগা-অমগা খূদোংচাবা কয়া পীনদুনা লৈবাক অসিগী মরী অনৌবা থাক অমদা পুখৎনবা শেম শারে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি হায়খ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং ইজরেলগী মহাক্কী লেংমান্নবা বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা গ্লোবল টেররিজম পূন্না থেংনমিন্নবা অমসুং এক্সট্রিমিষ্ট ফোর্সশিংবু মায়থীবা পীনবগী ৱাফমসু য়ানখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা ইন্দিয়া-ইজরেল বিজনেস সম্মিট অমদা ৱা ঙাঙলদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি, মতম পূম্নমক্তা ঐহাক্না ইজরেল অমসুং মসিগী মীয়ামবু লুনা খল্লি। হৌখিবা চহী খরসিদা অনৌবা পাঙ্গল অমসুং পান্দমশিং লাকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অনীগী মরী শীংথানিংঙাই ওইনা ফগৎলকখি। অসিগুম্বা মরী অসিনা লৈবাক অসিগী কোওপরেসন হেন্না ৱাংবা থাকশিংদা পুখৎপদা শোইদনা মতেং পাংলগনি। ঐখোয়না হৌজিক ইন্দিয়া-ইজরেল মরীগী অনৌবা পন্দুপ অমা হাংবা ঙল্লে। মসি ঐখোয়গী মীয়াম অমসুং পূন্সি মহিংশিং ফগৎহন্নবগী খূদোংচাবশিং পীনবদগী লাকখিবনি।

কুমজা ২০০৬ তা গুজরাটকী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ইজরেলদা মহাক্কী অহানবা খোঙচৎ চৎখি হায়না মোদিনা মখা তাখি।

হৌখিবা চহীগী জুলাইদা ঐহাক্না ইজরেলদা চৎখি। মদু ইন্দিয়াদগী চৎপা অদুগুম্বা অহানবা খোঙচৎনি। খোঙচৎ অদুদা ঐহাক্না ইজরেলগী শীংথানিংঙাই ওইরবা অখাঙ কনবা, অনৌবা কয়া পুথোকপগী ৱাখল অমসুং ইন্টরপ্রাইজগী লিংজেল অদু উবা ফংখি। ইন্দিয়াদসু ঐখোয়না হৌজিক অওনবা অমা পুরক্ন বগীদমক্তা হৌখিবা চহী অহুম অসিদা মেক্রো অমসুং মাইক্রো লেভেল অনীমক্তা অচেৎপা খোঙথাং কয়া লৌখৎলে। ঐখোয়গী মোটোদি রিফোর্ম, পর্ফোম অমসুং ট্রান্সফোর্ম হায়বসিনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ইজরেলি প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনসু লৈবাক অনীনা খূৎশম্ন দুনা তুংলমচৎকী ফীভম শেম্মিন্নবা য়াগনি হায়খি।

নেসনল কেপিটেলদা ইন্দিয়া-ইজরেল বিজনেস সম্মিটতা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্না হায়খি, হাই টেক অমসুং লো টেক অনীগী মরক্তা মখা তানা খেন্নবা অমত্তা লৈররোই মরমদি অরোইবদদি খূদিংমক টেক্নোলোজি ওইগদৌরিবনি। হৌখিবা চহী ৫-১০ অসিদা ঐখোয়গী কার ইন্দষ্ট্রিশিং লৈরকখি। চহী খূদিংগী দোল্লর বিলিয়ন ৫০০গী ইনভেষ্টমেন্ট ফংবা ঐখোয়গী ষ্টার্ট-অপ কম্পেনি ৫০০ লৈ।

লৈবাক অনীনা ঙসি সাইবর সিক্যুরিটিগী লম্দা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) অমা সাইন তৌনখি। অনীশুবা এম ও য়ু অমনা মিনিষ্ট্রি ওফ পেট্রোলিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাস অমসুং ইজরেলগী মিনিষ্ট্রি ওফ ইনর্জীগী মরক্তা ওইল অমসুং গ্যাস সেক্টরদা সাইন তৌনখি।

# আর্মি দে থৌরম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচ এন এস):
লৈবাক অসিনা ঙসি ৭০ শুবা লান্মীগী নুমিৎ পাঙথোক্লি। ইন্দিয়ন লান্মীগী মকোক জেনরেল বিপিন রাৱট, নেভেল ষ্টাফকী মকোক সুনিল লনবা অমসুং এয়র চীফ মার্সেল বিরেন্দ্র সিংহ ধনোৱানা দিল্লিদা লৈবা অমর জৱান জ্যোতিদা ঙসি অয়ুক নুমিৎসিগা মরী লৈননা লৈ কৎখি।

দিল্লি কেনটোনমেন্টদা লৈবা করিয়াপা পেরেড গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা পেরেড অমা লান্মীগী মকোকনা হন্না য়েংশিনখি। মহাক্না সেনাগী মেদল ১৫ সু খূৎশিন্নখি। মেদল ফঙবশিংগী মনুংদা মঙা অমদি মশা লৈখিদ্রবা মতুংদা পীবনি। থৌরমদুদা জেনরেল রাৱটনা হায়, লৈবাক্কী মায়োক্তা লৈবা কাঙবুশিং লান্মীনা মওং অমত্তদা মায় পাকহল্লোই।

মহাক্না হায়, পাকিস্থান্না সিজ ফায়র থুগায়দুনা ইতৎ তত্তনা নোংমৈ কাপশিল্লক্লি। ইন্দিয়ন লান্মীনসু মদুদা মতিক চানা পাউখুম পীরি। তঙায়ফদবা লাক্লবদি মালেমগী ঙমখৈ পরিংদা লো কায়না চঙশিল্লকপশিংগী মথক্তা ওপরেসন চথবা হেনগৎকনি। য়েক্লবশিংনা সোসিএল মীদিয়াবু লান্না শীজিন্নবগী মায়োক্তা মীৎকুপ নাহুমশিংনা লৈননবা জেনরেল রাৱটনা আপিল তৌখি।

কুমজা ১৯৪৯ দা অরোয়বা বৃটিশ কম্মান্দর ইন-চীফ জেনরেল, সার এফ আর আর বুচরদগী জেনরেল কে এম কারিয়াপানা লান্মীগী কম্মান্দর ওইনা থবক পুহৌবা নুমিৎ অদুবু নীংশিংদুনা চহী খুদিংগী ঙসিগী নুমিৎ অসিবু লান্মীগী নুমিৎ হায়না পাঙথোক্তুনা লাক্লি। জেনরেল কালিয়াপা তুংদা ফিল্ড মার্সেল ওইরম্মী। মহাক লৈবাক অসিনা নীং-খা তম্লবা মতুংদা ইন্দিয়ন লান্মীগী অহানবা কম্মান্দর চীফ ওইনা থবক পুখি।

প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দ অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা নুমিৎসিগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী লান্মীশিং অমসুং মখোয়গী ইমুং-মনুংশিংদা নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে।

# দিফেন্স মিনিষ্টর নির্মালা সিতারামননা সু-৩০ দা সোর্টি পাইগদৌরি



ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী):
দিফেন্স মিনিষ্টর নির্মালা সিতারামননা লাক্লিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী ফ্রন্টলাইন এয়রক্রাফট ওইরিবা লৈবাক অসিনা শাজবা সু-৩০ এম কে আই ফাইটর জেটতা তোংদুনা পাইরগনি হায়না ওফিসল ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

দিফেন্স মিনিষ্টরনা জোধপুরদা লৈবা এয়র ফোর্স ষ্টেসনদা ন্যুক্লিয়র ষ্ট্রাইক অমসুং য়েক্লবগী টেরিটরিদা মনুং হঞ্জিন্না চঙশিনবা ঙম্বা শীংথানিংঙাই ওইরবা ফাইটর অদুদা সোর্টি অমা পাইগনি।

হন্দক্তা আই এন এস ভিক্রামাদিত্যদা তোংখিবা অমসুং ফোরৱার্দ এরিয়াশিং অমসুং ফোর্স অহুমগী তোঙান-তোঙানবা ইন্সটোলেসনশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখিবা মতুংদা সোর্টি অসি দিফেন্স মিনিষ্টরনা আর্মদ ফোর্সেসকী কম্বেট কেপেবিলিটিশিং অমসুং ওপরেসনেল প্রিপেয়র্দনেস য়েংশিন্নবা লেপ্তুনা চথরকখিবা থৌওং অমগী শরুক অমনি হায়না ছোর্সশিংদুনা ফোঙদোকখি।

সুখোই-৩০ এম কে আই অসি রসিয়াগী সুখোইনা দিভলপ তৌখিবা অমসুং ইন্দিয়ন এয়রফোর্স (আই ও এফ) কীদমক্তা ইন্দিয়াগী হিন্দুষ্টান এরোনোটিক্স লিমিটেদ (ঐচ এ এল)না লাইসেন্স পায়রগা শাবা ত্বিনজেন্ট মল্টিরোল এয়র সুপরিওরিটি ফাইটর অমনি। সুখোই সু-৩০গী ভেরিয়ন্ট অমা ওইরিবা সুখোই-৩০ এম কে আই অসি নোং-চীংগী ফীভম খূদিংমক্তা শীজিন্নবা য়াবা শান্না পাইবা ঙম্বা অরূম্বা ফাইটর অমনি।

কুমজা ২০১৭ কী নবেম্বরদা ইন্দিয়ানা ফাইটর জেট অসিদগী ব্রহ্মোস সুপরসোনিক ক্রুজ মিসাইলগী এয়র ভেরিয়ন্ট মায় পাক্না চাংয়েং তৌখি।

# তরেৎশুবা হকচাং ফংখ্রে, এক্সিদেন্ট কেস রেজিষ্টর তৌখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৫ (ঐচ এন এস):
হৌখিবা জন্যুৱারি ১৩ গী অয়ুক্তা জুহু এয়রপোর্টতগী পায়খৎখিবা মতুং ঙাইহাক্কী মনুংদা কায়খিবা পাৱন হান্স হেলিকোপ্তর লিমিটেদকী চোপ্পরগী থিবা খঙলকখিদবা পাইলোট অমগী অশিবা হকচাং ইন্দিয়ন কোষ্ট গার্দ (আই সী জি) গী রেস্ক্যুয়রশিং অমসুং দাইভরশিংনা ঙসি ফংখ্রে।

নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা ঈশিংদা থিরকখিবা মতুংদা ফঙখিবা পাইলোটকী অশিবা হকচাংদু ফঙখিবনি হায়না ইন্দিয়ন কোষ্ট গার্দকী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি।

ইন্দিয়ন নেভি অমসুং কোষ্ট গার্দকী রেস্ক্যু টিমশিংনা মমাংগী থাংজ নুমিৎতা হেলিকোপ্তর অদুদা তোংখিবশিংগী অশিবা হকচাং তরুক ফঙখ্রবনি। মখোয়গী মনুংদা ও এন জি সীগী দেপ্যুটি জেনরেল মেনেজর মঙা অমসুং পাইলোট অনীগী মরক্তগী অমা য়াওখি।

চোপ্পর অদু ও এন জি সীগী অৱাংবা থাক্কী ওফিসল মঙা অমসুং পাইলোট অনি তোংলগা মুম্বাইদগী কিলোমিটর ১৭৫ রোম লাপ্পা লৈবা বোম্বে হায় গ্যেস ওইল ফিল্ডশিং তম্না পায়খিবদগী শুকহন হল্লকখিদবনি।

চোপ্পর অদু পাইখৎখিবা মতুং মিনিট ১৫ য়ৌদবা মতমগী মনুংদা রাদরনা থিবা ফংখিদে। আই জিগী সিপ সামরাটনা পাইলোটতুগী হকচাং ফংখি অমসুং ও এন জি সীগী ভেসেল সামুদ্রা, সেভকনা কায়ফমদুদগী কায়খিবা দাউফিন হেলিকোপ্টরগী অতেক-অকায়শিং ফংখি। অতেক অকায়শিংদুগী মরক্তা রোটর ব্লেদশিং, মেইন গিয়রবোক্স, টেটল গিয়রবোক্স, এঞ্জিন অনীমক, ইমর্জেন্সি লোকেটর ট্রান্সমিটর অমসুং অতৈ আইটেমশিং য়াওখি।

লৈরিবা ফীভমদুগী মতাংদা কুপ্না খন্ননবগীদমক্তা ও এন জি সীগী অৱাংবা থাক্কী টিম অমনা কোষ্ট গার্দকী ওফিসলশিং উনখ্রে। চৈরকসিদা পাৱন হন্স হেলিকোপ্টর কায়বগী কেসতা ঙসি এক্সিদেন্টেল দেথ রিপোর্ট (এ দি আর) অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে।

# ভি ঐচ পিগী লীদর প্রভিন টোগাদিয়া মাঙখ্রে : অহমেদবাদ পুলিস



অহমেদবাদ, জন্যুৱারী ১৫ (এজেন্সী):
ভি ঐচ পিগী লীদর প্রভিন টোগাদিয়া কেস অমগা মরী লৈননা রাজস্থান পুলিসনা ফাজিনখ্রে হায়না হিন্দু ওর্গনাইজেসন অসিনা ক্লেম তৌখ্রে। তৌইগুম্বসুং রাজস্থান পুলিসনদি ভি ঐচ পিগী ক্লেম অদু য়াখিদ্রে।

ভি ঐচ পিগী লীদর প্রভিন টোগাদিয়া মাঙখিবদগী অহমেদবাদ পুলিসনা মহাকপু থিনবা টিম মরি শেমখি হায়না জোইন্ট কম্মিস্নার ওফ পুলিস (ক্রাইম) অহমেদবাদ জে কে ভাটনা ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং ভি ঐচ পিগী ৱারকশিং অমসুং খোঙলোয়শিংনা খল্লিবগুম্না মহাকপু গুজরাট পুলিস নৎত্রগা রাজস্থান পুলিসনা ফাখিবা লৈতে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ঐখোয়না মহাক্কী লৈফম খঙনবা হোৎনরি। মহাক ঙসি অয়ূক পুং ১০.৪৫ রোম তাবদা সীটি অদুগী ভি ঐচ পিগী ওফিসতগী ওটো অমা তোংলগা চৎখি হায়না ভাটনা মীদিয়া ব্রীদিং অমদা হায়খি।

চহী ১০ শুরবা কেস অমগা মরী লৈননা ডো. টোগাদিয়াবু রাজস্থান পুলিসনা ফাগৎখি নৎত্রগা দিটেন তৌরি হায়বা চিংনবা ৱাফমশিং লৈরিঙৈ মরক্তা ভাটনা টোগাদিয়াগী মরমদা ৱাফমসি ফোঙদোকখিবনি।

ভাটনা হায়খি মদুদি, ডো. টোগাদিয়াদা জেদ প্লস সিক্যুরিটি কভর পীরি তৌইগুম্বসুং ঙসি মহাক ওটো অমদা মকোই চোম্বা নুপা অমগা লোয়ননা ভি ঐচ পিগী ওফিসতগী চৎখিবা মতমদা সিক্যুরিটি গার্দ অমত্তা লোয়নখিদে।

ভি ঐচ পিগী লুচিংবা অসিগী মায়োক্তা এরেষ্ট ৱারেন্ট অমা ইস্যু তৌখিবা মতুংদা অহমেদবাদতা রাজস্থান পুলিসকী টিম লাকখি। ডো. টোগাদিয়াগী ময়ূমদা চৎপদা ঐখোয়গী পুলিসনা রাজস্থান পুলিস কাঙবুদা মতেং পাংখি। মখোয়না ভি ঐচ পিগী ওফিসতসু চৎখি তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না মফম অমত্তদা মহাক লৈরম্বা থেংনখিদে হায়না ভাটনা ফোঙদোকখি।

ডো. টোগাদিয়াগী লৈফম খঙনবা অহমেদবাদ পুলিসনা ভি ঐচ পিগী লীদরশিংগা তৎতনা পাউ ফাওনরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## সাগেই/থোঙাম শাগৈগী পাউজেল

লাক্লিবা জন্যুৱারিগী তাং ২০/০১/২০১৮ ইং, ফাইরেনগী ৩ (হুমনি) পানবা থাংজ নুমিৎতা থোঙাম শাগৈগী থৌবাল খেকমনদা লৈবা অপোকপগী হান্নগী শঙলেন অসিগী মহুত্তা অনৌবা শঙলেন অমা শানবগী শংগুম্বগী থৌরম অমা পাঙথোকচগদৌরি। হায়রিবা থৌরম অসিদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বীনিংবা অমদি শাগৈগী ইপা-ইপুগী অশেংবা শক্তম উবীনিংবা শাগৈচা খুদিংমক্না নুমিৎ অসিগী থৌরমশিং অসিদা তঙাইফদনা শরুক য়াবিনবা পাউজেঞ্জরি। লোয়ননা অপুনবা মীফম অমসু লাক্লিবা তাং ১৭/০১/২০১৮ ইং, য়ুমশকৈশা থাশি নুমিত্তা পাঙথোকচগদবা অসিদসু শরুক য়াবীয়ু হায়জরি।

*পাউজেঞ্জরিবাঃ থোঙাম চন্দ্র সিংহ*
*সেক্রেটরি, থোঙাম শাগৈগী অপোকপা কম্মিটি*
খেকমন ময়াই লৈকাই।

HL-P/381/15&16

## থৌগল তৌবা/দশা য়েংজরি



অনৌবা চহীগী দশা, মহৈ-মশিং, অৱাংবা একজাম, সিভিল সর্ভিস, নীট থাগদবা, মীরমদা চৎপা, থবক-করবার, শেল লাক্লবা, য়ুম্বাল ফননবা, অঙাং য়াওননবা, হায়ন-তানবা য়ানবা, চিঞ্জাক ফননবা মতম লৈরিঙৈ য়েংথোকপীয়ু। চহী ৩৫ হেন্না মীয়ামগী সেবা তৌজরক্লবা, মপাল্লমগী মমীং লৈরবা ওঝা-গুরু কয়াগী পাউতাক ফংলবা, নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেল থাক্তা মনা কয়াসু ফংজরবা, কুঠী অমদি খুবাক ময়ি য়াম্না সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি।

*মীয়ামগীঃ- জ্যোটিষ মহাঋষি*
**Dr. Ph. Rajendra**
Nongmeibung, Near Community Hall
Academy Road, Imphal

HL-P/377/14/1-13/2

# SCM S. CHAOBA MEMORIAL ENGLISH SCHOOL

SINGJAMEI KONGBA ROAD IMPHAL EAST (NEAR SINGJAMEI BRIDGE)


NO DEPOSIT SYSTEM
NO LODGING CHARGES

ADMISSION OPEN

FREE ADMISSION FROM PRE-NUR TO CLASS I




+91 8974 052 662



Founder
MA Gold Medalist & BT
Retired Lecture, Ram Lal Paul Hr. Sec. School

| CLASS | ADMISSION FEE( RS) | EXPENSES (RS) | MONTHLY TUITION FEE |
|---|---|---|---|
| PRE NUR - CLASS I | FREE | 1000 (games+exams) | 500 |
| CLASS II | 2300(admission+ games+exams) | NA | 500 |
| CLASS III - VII | 3300(admission+computer+games+exams) | NA | 600 |
| CLASS VIII | 3500(admission+computer+games+exams) | NA | 700 |
| CLASS IX - X | 3500(admission+games+exams) | NA | 700 |

Fee Structure for Boarders to be paid at the time of Admission for boarders :

| CLASS | ADMISSION FEE ( RS) | EXPENSES (RS) | TUITION FEE/ ANNUM | TOTAL | MESS FEE/ MONTHLY |
|---|---|---|---|---|---|
| CLASS I | FREE | 1000 (games+exams) | 500x12=6000 | 7000 | 3200 |
| Class II | 2300 (admission + games exam) | NA | 500x12=6000 | 8300 | 3200 |
| Class III –IV | 3300(admission+computer+games+exams) | NA | 600x12=7200 | 10500 | 3300 |
| Class V – VII | 3300(admission+computer+games+exams) | NA | 600x12=7200 | 10500 | 3500 |
| Class VIII | 3500(admission+computer+games+exams) | NA | 700x12=8400 | 11900 | 3700 |
| Class IX - X | 3500(admission+games+exams) | NA | 700x12=8400 | 11900 | 3700 |

FACILITIES
1. Free monthly tuition fee for one out of three students from a same parent
2. Free tuition fee for first position holder of every class scoring more than 85% marks
3. Free all subject Tuition for borders and Medical Checkup
4. Boarder's Admission will be refunded if no improvement till FA1 exam.
5. One boarding master for every 25 students
6. Separate study room for class X boarders
7. Available Aqua-guard drinking water for all students.
8. Free studentship for students whose parents are undergoing cancer treatment.

HL-P/4807/14 Dec-26Jan. (Alt).